# মণিপুরগী সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোলগী ২শুবা ফেজগী কোচিং কম ট্রায়ল হৌরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস): চৎলিবা চহী অসিগী নভেম্বর ১০দগী ৩০ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা সিনিয়র ৱিমেন্স নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী টিম খনবগী অনিশুবা ফেজগী ওইবা কোচিং কম ট্রায়ল সেলেক্সন থা অসিগী ১৮দগী হৌরগনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ঙসি এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি জ্যোটিরমোই রোইনা ফোঙদোরকখিবদা পুন্না শান্নরোয় ৩৫না থা অসিগী ১৮গী অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা ইম্ফালগী লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুদি, গোলকিপরদা ও রোস্নি (এম পি এস সি), এন মোনিকা (ঈ এস য়ু), দব্লিয়ু উষারাণি (আই সি এস এ) অমসুং এস ঐচ মোনিকা (এম পি এস সি)নি।

দিফেন্দরদা এ মোরি (এম পি এস সি), দব্লিয়ু কনচন (এম পি এস সি), টি ঐচ দেজানি (এম পি এস সি), কেরোলিন লোরামাৱি (ৱাই দব্লিয়ু সি), ৱাই পাকপী (ক্রিপসা), এস ঐচ বন্তি (ক্রিপসা), পি ঐচ নিরমলা (এ এম এম এ), ঐচ সুনিতা (এম পি এস সি), সরিতা য়ুম্নাম (ৱাই দব্লিয়ু সি), এম অচৌবী (ঈ এস য়ু), কে অনীতা (ঈ এস য়ু), ঐচ লিন্দা (ঈ এস য়ু) অমসুং সনামিজা (আই সি এস এ)নি।

মিদফিল্ডদা এম মন্দাকিনি (ঈ এস য়ু), টি ঐচ বেবিসনা (ক্রিপসা), এন প্রিয়াঙ্কা (ঈ এস য়ু), টি ঐচ অঞ্জলী (ঈ এস য়ু), ৱাই কিরনবলা (ঈ এস য়ু), ৱাই লক্ষ্মী (ৱাই দব্লিয়ু সি), বেবী লাঙ্খেদমী (ৱাই দব্লিয়ু সি), য়ু লক্ষ্মী (দব্লিয়ু এফ এ), এ নিলম (এম পি এস সি), টি ঐচ কৈন্যাকুমারী (এম পি এস সি) অমসুং য়ু পুস্পারাণী (দব্লিয়ু এফ এ)নি।

অদুগা ফোর্ৱাদতা আই প্রমেশ্বরি (ঈ এস য়ু), ঐচ দয়া (ৱাই দব্লিয়ু সি), এ রোজা (ক্রিপসা), এস রিনারোই (ৱাই দব্লিয়ু সি), সুল্টানা (ঈ এস য়ু), পি ঐচ অশিলা (এম পি এস সি) অমসুং এল সনাথোই (এম পি এস সি)নি।

## অম্ফানা চেকশিন্নবা আপিল তৌরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস): অম্ফাগী মায়কৈদগী মণিপুরদা লৈবা ফুটবোল পামজবা মরুওইনা মমা-মপা অমদি গার্জিয়ানশিংগী পুক্নিং চিংশিল্লদুনা তোঙান-তোঙানবা মপানগী একাদেমিশিংনা মণিপুরদগী টেলেন্টেদ ওইবা শান্নরোয়শিং থিবা লাকপদা চেকশিনবীনবা আপিল তৌরক্লি।

ষ্টেট অসিদা য়াম্না তোয়না মপানগী ষ্টেটতা লৈবা মশীং য়াম্লবা ফুটবোল একাদেমিশিংনা অনৌবা শান্নরোয়শিং থিবগী থবক কয়া চথদুনা লাক্লি। অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরিগী চেরোল অদুনা মখা তারদুনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা মশক খঙলবা/রিকগ্নাইজ তৌবা ট্রায়ল সেলেক্সন খক্তমক্তা য়াওননবা হায়রক্লি। লোয়ননা অসিগুম্বা টেলেন্ট হন্ট একাদেমিশিংগা মরী লৈনরম্বা কোচশিংগী লাইসেন্স কক্কনি হায়রি।

# সুনিল ছেত্রিনা পেলেগী রেকোর্দ থুগাইখ্রে, ৬শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে



ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সী): ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন চেম্পিনয়শিপ্তা ইন্দিয়াগী কেপ্তেন ওইরিবা সুনিল ছেত্রিনা গোল ২ চন্দুনা মালদিপ্সপু পাঞ্জল ৩-১দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবা অদুনা সুনিল ছেত্রিনা ফুটবোলগী নিংথৌনি হায়না লৌনরিবা ব্রাজিলগী লেজেন্দ পেলেগী রেকোর্দ থুগাইবা ঙমখ্রে।

পেলেনা মহাক্কী ইন্টর্নেসনল করিয়রদা পুন্না পাঞ্জল ৭৮ চনবা ঙমখিবনি। সুনিল ছেত্রিনা ঙরাংগী পাঞ্জল অনী অদু হাপচিল্লগা পুন্না পাঞ্জল ৭৯ শুদুনা পেলেদগী হেনখিবগা লোয়ননা মালেমগী ওইনা ইন্টর্নেসনল পাঞ্জল খ্বাইদগী য়াম্না চনবা ঙন্বা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা জান্বিয়াগী গোদফ্রে শিটালুগা ৬শুবা পোজিসন্দা লৈমিন্নরি। শিটালুনা চনখিবা পাঞ্জল ৭৯ অদু মহাক্না পুন্না ইন্টর্নেসনল মেটচ ১১১ শান্নবদনি। অদুগা ছেত্রিনা পুন্না মেটচ ১২৪ শান্নবদা চনখিবনি। পোর্টুগালগী কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা মেটচ ১৮২দা পাঞ্জল ১১৫ চন্দুনা পাঞ্জল খ্বাইদগী য়াম্বা শান্নরোয়গী মিংথোল অদু ফংবা ঙল্লি। মহাক্কী মথংদা হান্না রেকোর্দ থল্লম্বা ইরানগী আলি দেয়িনা পাঞ্জল ১০৯ চন্দুনা অনীশুবদা লৈরি। মলেসিয়াগী মোক্টার দাহারিনা অহুমশুবা, হঙ্গেরি অমসুং স্পেনগীদমক্তা মমাংদা লৈবাক অনীমক্কীদমক শান্নবা ঙমখিবা ফেরেঙ্ক পুস্কাসনা মরিশুবদা লৈরি। সুনিল ছেত্রিনা সাফ চেম্পিয়নশিপ অসিদা পুন্না পাঞ্জল ৪ চনবা ঙল্লি। ফাইনেলদা মখা তারকপসু য়ারি।

# ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম ক্বার্টরদা লৈহৌরে, নুপাগী টিম দেনমার্ককা ক্বার্টর শান্নরগনি

আর্হস, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সী): দেনমার্কনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকপা তোঙান-তোঙানবা মালেমগী লৈবাকশিংগী নুপা অমসুং নুপীগী টুর্নামেন্ট ওইরিবা থোমাস এন্দ অবর কপ ফাইনেলসতা ঙসি ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম ক্বার্টর ফাইনেলদা জপানগী মখূৎতা মায়থীহৌরে। নুপাগী টিমনা হয়েং য়ূম্বু দেনমার্ককা ক্বার্টর ফাইনেল শান্নরগনি।



ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম অসিনা গ্রুপ ষ্টেজদা স্পেনবু অহানবা মেটচতা ৩-২দা থোইখিবনি। অনীশুবা মেটচতা স্কোটলেন্দবু ৪-১দা থোইরবা মতুং অরোইবা গ্রুপ মেটচতা থাইলেন্দগী মখূৎতা ০-৫দা মায়থীখ্রবসু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরক্তুনা ঙসি নুমিদাং জপানগা ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা তৌনখি।

ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা সিঙ্গলসকী মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী মালভিকা বনসোদনা জপানগী অকানে য়ামাগুচিগা লম্বা তৌনখি। পুংখায় অমা হেন্না চঙনা লম্বা তৌনখিবা অদুদা অহানবা গেম অদু জপানগী অকানে য়ামাগুচিনা ২১-১২দা থোইরগা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেমদা মালভিকাগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরক্তুনা য়ামাগুচিগী শোটশিং অদু পাউখুম পীবা ঙমখি। অদুবু জপানগী এক্সপরিয়েন্স হেল্লবী শান্নরোয় অদুনা বনসোদকী অশোনবা মায়কৈশিং অদুবু নীংথিনা খুদুম চনবা ঙমদুনা ২১-১৭তা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেল টাই অদুগী অহানবা মেটচ অদু জপাননা লৌখি।

অনীশুবা মেটচ ওইনা নুপীগী দবলসকী লম্বা ওইখি। মদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নহা ওইরিবী টানিশা ক্রাষ্টো অমদি রুটাপর্না পন্দানা শান্নখি। অমরোমদা জপানগী মায়কৈদগী য়ুকি ফুকুসিমা অমদি মায়ু মাটসুমোটোনা লম্বা ওইখি। মেটচ অদু রেলি য়াম্না শাংনা-শাংনা থোন্নখি। অহানবা গেম ইন্দিয়াগী প্যের অদুনা পোইন্ট ৮ খক লৌবদা ঙাইরিঙৈদা জপানগী ফুকুসিমা অমদি মাটসুমোটোনা লাকশিল্লক্তুনা ২১ য়ৌখিবদগী গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী প্যের অদুগী মায়কৈদগী হান্নদগী খরা ফজবা ঙল্লবসু পোইন্ট ১০ য়ৌরকপদা জপানগী শান্নরোয় অনী অদুনা ফজবা হেল্লকপদগী পোইন্ট ২১ য়ৌদুনা মিনট ৪১ লোইশিল্লকপদা গেম অনীমক থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল অদুদা ইন্দিয়াবু মখোয়না ২-০দা হেন্দুনা লৈখি।

ইন্দিয়াগী টিমদা মমিং লৈরবী সিন্ধু য়াওখিদে। লোয়ননা সাইনা নেহৱালসু অহানবা রাউন্দদা শোকপদগী মখা তাবা ঙমখিদে। অহুমশুবা মেটচ অদু ইন্দিয়াগী অদিটি ভাটনা জপানগী সায়াকা টাকাহাসিগা শান্নবদা ১৬-২১, ৭-২১দা মায়থীরগা ইন্দিয়া লৈহৌবনি।

নুপাগী থোমাস কপতা ইন্দিয়াগী টিম ঙসি চাইনাগা অরোইবা গ্রুপ মেটচ শান্নবদা ১-৪দা মায়থীবা নংখ্রবসু গ্রুপকী অনীশুবা তাদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী য়ূম্বু দেনমার্ককা লম্বা তৌনরগনি।

# য়ু এ ঈ অমসুং বাহরেনগী টুর মায় পাকখ্রবা মতুং স্বিদেনদা ফ্রেন্দলি মেটচশিংগীদমক মণিপুরী ৬ য়াওরে



ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমনা হন্দক্তা য়ু এ ঈ অমসুং বাহরেনদা ইন্টরনেসনল ফ্রেন্দলি মেটচ ৪ শান্নবগী মনুংদা অহুম মায় পাক্লগা অমখক মায়থীদুনা য়াম্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমখ্রবা মতুং লৈবাক অসিনা য়ূম্বু ওইরগা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ন কপকী শেম শাবা ওইনা থা অসিগী ১৫দগী ২৪ ফাওবা য়ুরোপকী লৈবাক অমা ওইরিবা স্বিদেনদা ফ্রেন্দলি মেটচশিং শান্নগদৌরিবা অদুগীদমক ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ২৩ লাউথোরকপদা মণিপুরী মচা ৬ য়াওখ্রে।

টিম অসিনা য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটসতা য়ূম্বু লৈবাক অদুগা অহানবা ফ্রেন্দলি মেটচ শান্নবদা পাঞ্জল ৪-১দা মায় পাকখি। অদুবু মফম অদুদা টুনিসিয়াগা শান্নবা অনীশুবা মেটচ অদু ০-১দা মায়থীবা নংখি। মদুগী মতুং বাহরেনদা অমুক চৎতুনা লৈবাক অদুগা শান্নখিবা টুর অদুগী অহুমশুবা মেটচ অদু পাঞ্জল ৫-০দা মায় পাক্লবা মতুং ঙরাং শান্নখিবা অরোইবা মেটচ অদুদা মখোয়দগী ফিফা রেঙ্কিংদা থাক ৱাংনা লৈরিবা চাইনিজ টাইপৈবু ১-০দা থোইবা ঙমখিবনি।

স্বিদেনগী ইন্টরনেসনল ফ্রেন্দলি মেটচশিং অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুরী মচাশিং অদুদি মাইবম লিন্থোইঙম্বী (গোলকিপর), ঙাংবম স্বিতি (দিফেন্দর), লোইতোংবম অশালাতা (দিফেন্দর), সোরোখাইবম রঞ্জনা চনু (দিফেন্দর), মার্টিনা থোকচোম (মিদফিল্ডর) অমসুং দাংমৈ গ্রেস (ফোরৱার্দ)নি। মখোয় তরুকমক হন্দক্কী য়ু এ ঈ অমসুং বাহরেনগী টুর অদুদা শরুক য়াখিবা ঙাক্তনি। ইন্দিয়াগী কোচ ওইরিবা থোমাস দেনর্বিনা শিল্লকপদগী মহাক্কী লৈবাক স্বিদেনদা মফম অদুগী শান্নরোয়শিং অদুগা ফ্রেন্দলি মেটচ শান্নবগী খুদোংচাবা অদু এ আই এফ এফকা তান্নরগা শিনখিবনি হায়রি।

# ওক্টোবর ২১দগী ঝান্সি সিটিদা হোক্কী ইন্দিয়া সিনিয়র ৱিমেন্স হৌরগনি

ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সী): হোক্কী ইন্দিয়ানা শীন্দুনা উত্তর প্রদেশকী ঝান্সি সিটিদা থা অসিগী ২১ দগী ৩০ ফাওবা ১১রকশুবা হোক্কী ইন্দিয়া সিনিয়র ৱিমেন্স নেসনল চেম্পিয়নশিপ হৌরগনি হায়না হোক্কী ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হায়রিবা টুর্নামেন্ট অদুদা পুন্না টিম ২৮দা শরুক য়াগদৌরি। চেম্পিয়নশিপ অসিনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা হোক্কীগী দোমেষ্টিক হোক্কী প্লেয়রশিংনা মখোয়গী টেলেন্টশিং অদু উথোক্নবগী ফম্পাক অমা পীবা ঙমগদৌরি। টিম ২৮ অদু গ্রুপ ৮ থোক্না শান্নগদৌরি। গ্রুপ অমদা মায় পাক্লকপা টিম অদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমগদৌরিবনি। ওক্টোবর ২১দগী হৌরগা নুমীৎ ৬নি গ্রুপ মেটচশিং শান্নরবা মতুং ওক্টোবর ২৭তা সেমীফাইনেল মেটচ অনী শান্নগদৌরি। লোয়ননা ওক্টোবর ৩০দনা টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল মেটচ শান্নগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ওর্গনাইজরশিংনা ফোঙদোরকখিবদা, হোক্কী ইন্দিয়ানা পীরিবা কোভিদ-১৯গী এস ও পিশিং অদু ঙাক্না চৎপগা লোয়ননা এথলিটশিং, কোচশিং অমদি টেক্নিকেল ওফিসল পুম্নমক্না ঝান্সি য়ৌরকপদা পুং ৪৮গী মনুংদা লৌখিবা কোভিদ-১৯গী আর টি-পি সী আর টেষ্ট নেগেটিভ ওইগদবনি।

# সন্দে এফ সী অমসুং ভি এস এ আই পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস): অহানবা ডা. মোইরাংথেম মনাওতোন অমসুং মোইরাংথেম চন্দ্রশখি দেবী মেমোরিয়ল মাষ্টর ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা সন্দে এফ সী অমসুং ভি এস এ আই পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ তারমদাইদা হৌখিবা মেটচ অদু সন্দে এফ সী অমসুং ভি এস এ আইগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না লম্বা তৌনরকখি। অপীবা অহানবা হাফকী মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে। টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী তোঙান-তোঙানবা শান্নরোয়শিং নৌনা চঙহল্লক্তুনা পাঞ্জল থিনবা হোৎনরকপা অদুসু কান্নদবদগী পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি।

# লাটভিয়াগী জেলেনা ওষ্টাপেনকো বি এন পি পরিবাস ওপন টেন্নিসকী সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে



ইন্দিয়ন ৱেলস, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সী): য়ু এস এগী সিটি ইন্দিয়ন ৱেলসতা পাঙথোকপা বি এন পি পরিবাস ওপন হায়নসু খঙনবা নুপা অমসুং নুপী অনীমক্কী অপূনবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী কাঙলূপ্তা লাটভিয়াগী শান্নরোয় জেলেনা ওষ্টাপেনকো সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ওষ্টাপেনকোনা ঙরাং শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ু এস এগী সেলভি রোজর্সপু অকনবা লম্বা অমদা সেট ২-১দা থোইখিবনি। মমাংদা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দস্লাম টাইটলসু লৌবা ঙম্লম্লবী জেলেনা ওষ্টাপেনকানা অহানবা সেট অদু ৬-৪দা থোইরবা মতুং সেলভি রোজর্সনা অনীশুবা সেট ৬-৪দা থোইখি। অদুবু অহুমশুবা সেট অদুদা ওষ্টাপেনকোনা ৬-৩দা থোইরগা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না সেমীফাইনেলদা বেলারুসকী টুর্নামেন্ট অসিগী মমাংদা টাইটল অনীরক লৌবা ঙমখ্রবী ভিক্টোরিয়া অজারেনকাগা লম্বা তৌনরগনি।

অজারেনকানা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ু এস এগী অতোপ্পা শান্নরোয় জেসিকা পেগুলাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৪, ৬-২দা থোইদুনা হান্নসু ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ফাওবা য়ৌরম্লবী শান্নরোয় অসিনা ফাইনেল য়ৌননবা হোৎনগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী কাঙলূপ্তা রসিয়াগী য়ু এস ওপন চেম্পিয়ন ওইরিবা দানিল মেদভেদেভপু হঙ্গেরিগী গ্রিগোর দিমিট্রোপনা ৪শুবা রাউন্দদা মায়থীবা পীখি। দিমিট্রোপনা মেটচ অদু ৪-৬, ৬-৪, ৬-৩দা থোইখি।

# অহানবা বেনা লুন ফোম স্পোর্টস মীট কম কলচরেল ইভেন্ট ২০২১ লোইশিনখ্রে



সেনাপটি, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস): সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা থোংলান অতোংবা খুঙ্গংদা অহানবা ওইনা থা অসিগী ১১দগী হৌরকখিবা বেনা লুন ফোম স্পোর্টস মীট কম কলচরেল ইভেন্ট ২০২১ ঙসি তাদুবী এ সীগী এম এল এ, এন কায়িসিনা চীফ গেষ্ট ওইরগা লোইশিনখ্রে।

ফুটবোল, ভোলিবোল অমসুং এথলেটিককী ইভেন্টশিংনা স্পোর্টস মীট অদুগী মরুওইবা দিসিপ্লিনশিং ওইখি। ইভেন্ট অদু থোংলান অতোংবা ভিলেজ, থোংলান অকুৎপা ভিলেজ অমসুং চৱাংকিনিং ভিলেজনা পুন্না খূৎশম্নরগা পাঙথোকখিবনি।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা চীফ গেষ্ট এন কায়িসিনা ফোঙদোকখিবদা, ওর্গনাইজিং কম্মিটি অসিনা মহাকপু স্পোর্টস মীট কম কলচরেল ইভেন্ট অদুগী শরুক অমা ওইননবা হায়রকখিবা অদুদা থাগৎপা ফোঙদোকই। হৌজিক-হৌজিক শান্নবনা মালেমদা খ্বাইদগী চাওবা ইন্দষ্ট্রি ওইরিবনি। শান্নবদা প্রোফেসনেল থাক ফাওবা য়ৌবা ঙম্লবদি অহল-নহা খাক্তনা ইকাই খুম্নবা অমদি পাম্নবা ওইরিবনি।

শান্নবনা খেন্নবা কয়া লৈরিবশিং অদু লৌথোক্তুনা মরুপ-মপাং ওইবা অমদি অমত্তা ওইবগী মরী অমা শম্নহনবা ঙম্মী। মহাক্না নহাশিং অদুবু থৱায় য়াওনা অমদি পান্দম অমগা লোয়ননা মখোয়-মখোয়না শরুক য়ারিবা দিসিপ্লিনশিং অদুদা মীকোক থোংবা ঙম্নবা শান্নৌ হায়খি।

স্পোর্টসনা মীওই অমগী পূন্সিদা দিসিপ্লিন লৈবা অমদি শান্নরোয় অমা ওইবগী পূকচেল শেংবা অদু য়াওবনা শান্নরোয়শিংনা খুন্নাইগী ওইবা অমাঙবা থবক অমত্তা তৌরক্কনি হায়বা থাজদে। মিংচৎ ফংবা খক্তা নৎতনা শান্নরোয় অমনা প্রোফেসনেল ওইরক্লবদি শেন্দান লন্থী অমসু ওইরিবনি।

ঙসি লোইশিনখিবা থৌরম অদুদা মাওদা লৈবা খুঙ্গং ১৪গী সেক্রেটরিশিং অমদি খুঙ্গং অহুমগী ভিলেজ চ্যেরমেন য়াওনা মশীং য়াম্লবা লূপ কয়াগী লুচিংবশিংগা লোয়ননা ভাবোক কয়া শরুক য়াখি। টাদুবী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী ফোরম কয়ানসু লাক্তুনা থৌরম অদুবু মপূং ফাহনখি।

# অহানবা রানী গাইদিনলিয়ু স্পোর্টস এন্দ কলচরেল প্রোগ্রাম হৌরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস): নোনে দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈবা লোংমাই কমন গ্রাউন্দদা চহী অসিগী নবেম্বর ১৫দগী ১৮ ফাওবা অহানবা রানী গাইদিনলিয়ু স্পোর্টস এন্দ কলচরেল প্রোগ্রাম পাঙথোক্লগনি হায়না ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

রোংমৈ ট্রেদিসন এন্দ কলচরবু চাউখৎননবগী পান্দমদা রোংমৈ নাগা লুফুৱাম মণিপুর (আর এন এল পি এম)না শীনবনি। হায়রিবা স্পোর্টস এন্দ কলচরেল প্রোগ্রাম অসিদা ভোলিবোল, কলচরেল দান্সশিং মার্চ পাষ্ট য়াওগদৌরি। ওল রোংমৈ নাগা লুফুৱাম লুনগ্রিয়ান টিমশিংগী ওইনা রেজিষ্ট্রেসন ফী লুপা ২০০০ ওইগনি। অদুগা অতোপ্পা টিমশিংগী ওইনা লুপা লিশিং ১/১ ওইগদৌরি। রেজিষ্ট্রেসন ফী পীশিনবগী অরোইবা নুমীৎনা থা অসিগী ৩০ ওইগনি হায়না ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মখা তানা ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা ফোঙদোরকপা অমদা লুনগ্রিয়ান টিম পুম্নমক্না রোংমৈগী ফিৱালশিং অমদি মপূং ফাবা ট্রেদিসনেল দ্রেস পুরক্লবদি হেন্না থাগৎকনি হায়রি। মদুনা রোংমৈ নুপীশিংগী ওইবা টেলেন্টশিং অদু মালেমদা খঙহনগদৌরি। হায়রিবা অহানবা রানী গাইদিনলিয়ু স্পোর্টস এন্দ কলচরেল প্রোগ্রাম অসি মণিপুরদা লৈরিবা রোংমৈ লুহ খূদিংমক্না য়াওবা য়াগনি হায়রি।

ꯑꯗꯚꯔ꯭ꯇꯥꯏꯖꯃꯦꯟꯇ

Resonance®
Educating for better tomorrow
Live-video Learning Program (LLP) Centre

ADMISSION OPEN!

1 year course for NEET 2022
1 year course for JEE Mains and Mains+Advanced
2 year course for NEET & JEE for Class 11 Students

For the promising future doctors and engineers,
Resonance LLP Centre Imphal brings to you
- Best subject experts from Kota
- Live interaction classes
- Recorded classes for future reference
- Latest study materials
- Routine class tests

ENROLL TODAY!

★ Hostel and other amenities for Early Bird registrations

SUBJECT EXPERTS: HIGHLY QUALIFIED IITians & RESEARCH SCHOLARS

Nachom Edu Foundation,
3rd Floor, S.I. & Sons Building,
Kwakeithel Thokchom Leikai,
Imphal- 795001

For more details
9402979552
8794961535



HL-P/0356/14 to 23 Oct.

ꯑꯦꯗ.ꯇꯤ. ꯍꯦꯡꯒꯠ

EMPLOYMENT NEWS


- IMPHAL BRANCH :- Security/Gunman-2, Office Asst. (Graduate)-2, Driver
- SAMUROU BRANCH :- Office Asst. (Graduate), Car wash Helper-2, Driver
- MOIRANG BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
- THOUBAL BRANCH :- Office Asst.-1, Grade IV-1
- NAMBOL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
- SEKMAI BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2

N.B. : Branch খূদিংমক্কী য়াম্না নক্লনা লৈবা মীওইশিংদা খূদোংচাবা পীজগনি।

Pl. Contact : L.G. MOTORS
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, IMPHAL-WEST MANIPUR
CONTACT No. :- 9774495994

HL-B/7200/5/10-30/11 (alt)

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 259

**Petkov,V (2500) - Hillarp Persson,T (2524)**
**37th Olympiad Turin ITA (6), 2006.05.27**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 d5 | 2.c4 c6 | 3.Nf3 Nf6 | 4.Qc2 g6 |
| 5.Nc3 Bg7 | 6.Bf4 O-O | 7.e3 c5 | 8.dxc5 Qa5 |
| 9.Nd2 dxc4 | 10.Nxc4 Qxc5 | 11.a3 Be6 | 12.b4 Qc8 |
| 13.Rc1 Nc6 | 14.b5 Nd4 | 15.Qa4 Nf5 | 16.Be2 Bxc4 |
| 17.Bxc4 Nh5 | 18.Ne2 Nxf4 | 19.Bxf7+ Kxf7 | 20.Rxc8 Nxg2+ |
| 21.Kf1 Ngxe3+ | 22.fxe3 Raxc8 | 23.Qb3+ Ke8 | 24.Kg2... |

**QUESTION :**
**Black to Win**

**Puzzle 258 Ans. :**

38. ...Rh2+ 39.Kg3 Rg2+ The black rook clears the way for Black's queen to the square h4. 40.Qxg2 Qh4# Dovetail mate
38. ...Rh2+ 39.Kg3 Rg2+ 40.Qxg2 Qh4#
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com